

# সনালৈবাক স্পোর্টস

WEDNESDAY, DECEMBER 18, 2013, PAGES 7



*রাফেল নাদালনা গ্রান্সলাম টাইটল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মেটচ ১৫০ রোমদগী য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ২৫ রোম কলেক্সন তৌবা ঙমখ্রে।*

*এন্দ্রিউ ষ্ট্রাউসনা কেপ্টেন অমগী নীংথিবা বেব্যার অদুদা শান্নারোইশিংগা লোয়নৌ হায়না কোকতা ফোঙদোকখিবা*

## অহুমশুবা টেষ্ট মায় পাকপগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেণ্ডবু মায়থীবা পীখ্রে

*পির্থ, দিসেম্বর ১৭ ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেণ্ডগী অহুমশুবা টেষ্ট ব্রিকেট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেণ্ডবু রন ১৫০ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী চখরকখিবা টেষ্ট সেরিজ অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাকখ্রে।



মেটচ মঙা শান্নগদবা টেষ্ট সেরিজ অসিগী অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নবা লোইরবা ফাওবদা ইংলেণ্ডনা মেচট অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবগা লোয়ননা ইংলেণ্ডবু মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসিদগীনা চহী মরিগী মমাঙদা লৈবাক অনীগী ওইবা টেষ্ট মেটচ শান্নবদা ইংলেণ্ডনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থীবা পীখিবনি। মসিগী লমন খুম্বা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা হন্দক শান্নখিবা লৈবাক অনীগী মেটচ অদুদা ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী অরোইবা নুমিত্তা ইংলেণ্ডনা রন ৩৫৩ লৌরগা ওলআউট ওইখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা থনল্লিবা রন অদু লৌবা ঙমখিদে। মায় পাক্লবা টিম অসিগী স্কিপর মাইকেল ক্লাকনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদগীনা চহী খরগী মমাঙদা ইংলেণ্ডগা শান্নখিবা টেষ্ট মেচট সেরিজতা মখোয়না হন্দক মায় পাক্লিবা অসিগুম্না ইংলেণ্ডনসু টেষ্ট মেটচ মঙা শান্নগদবদা শুপ্ন গী টেষ্ট মেচট অহুমখক শান্নরগা মখোয়না মায় পাকখি।

হন্দক্কী টেষ্ট সেরিজ অসিগী ওইনা মহাক্কী টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই খুদিংমক্কী অচৌবা হোৎনবা অমা লৈ। মসিগী ক্রেডিট অসি শুপ্নগী শান্নরোই অমা খক্তদা পীবা লানগনি। টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংনা মখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমগা লোয়ননা শান্নখিবনা টিম অসিনা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

টেষ্ট সেরিজ অসিগী মনুংদা ইংলেণ্ডগী বেষ্টমেন বিননা সেঙ্কচুরি লৌখি। অহানবা মেটচ অসি ব্রিসবেনদা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুনা এদিলেদিদা শান্নখি। অহুমশুবা মেটচ মফম অসিদা শন্নাবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়ান টিম্মা ইংলেণ্ডগী মায়কৈদা রন ৫০৩ লৌবা ঙমখি। ইংলেণ্ডনা মখোয়বু থোইগে হায়রবদি রন ৫০৪ লৌগদবনি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচকি অরোইবা নুমিৎ অদুগী চাকচামাঙ ফাওবদা ইংলেণ্ডনা ব্রিকেট ৬ তুরগা রন ৩৩২ লৌখি। মখোয়না মখা তানা লৌগদবা রন অসি ১৭২ লৌগদবনি। ইংলেণ্ডগী মায়কৈদা লেমহৌরিবা ব্রিকেট অসি শুপ্নগী ৪ খক্তা ঙাইরে। ইংলেণ্ডনা মখা তানা রন লৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি অদুবু শুপ্নগী রন ২২ লৌরবা মতুংদা মখোয়গী ব্রিকেট লোইনমক তুখিবগা লোয়ননা রন ১৫০ দা মহাক্কী টিম্ন া মায় পাকখিবনি হায়নসু ক্লাকনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেটচ অসিদা থোইদোক্লা নীংশিংনিঙাই ওইবদি ইংলেণ্ডগী অহানবা টেষ্ট মেটচতা সেঙ্কচুরি লৌবা ঙমখিবা শান্নারোই অদু মহাক্কী টিম্মা চেকশিন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা স্পিন্নর নথান লিওন থাজিন্দুনা ইংলেণ্ড টিমগী মায়কৈদা শুপ্নগী রন ৭০ খক লৌবা মতমদা মহাকপু অহুমশুবা ব্রিকেট ওইনা ওষ্ট্রেলিয়া টিম্মা লৌখিবা অসিনা ইংলেণ্ডগী অচৌবা মায়থীবা ওইখি।

## অমেরিকান বোক্সর হোলিফিল্ডনা মণিপুরগী মেরিকোমবু থাগৎলক্লি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ১৭ ঃ*

ইং ১৯৮৪ গী ওলিম্পিক্কী হেবিৱেটতা ব্রোঞ্চ মেদল ফংখ্রবা মতুংদা অমেরিকাগী ওইনা প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইরিবা ইভান্দর হোলিফিল্ডনা মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর এম সি মেরিকোমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



হোলিফিল্ডনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা অদুগা ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্চ মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর অমা ওইরিবা এম সি মেরিকোমগী মতাঙদা পল্লদুনা মহাক্লা বোক্সিং হারিবা মশান্না অসিদা ফংখিবা এচিবমেন্ট কয়াবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খিবদা মেরিকোম অসি বোক্সিংদা অফাওবা নুপী অমনি। মহাক্কী মরমদা থিজিনবা মতমদা মহাক অসি ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী ওইনা য়াম্না অঙকপা অমনিসু হায়খি। বোক্সিং হায়বা অসি কুপথনা য়েংশিনবা মতমদা অমেরিকাগী ওইবা মশানা অমা ওইরে। মহাক্কুম্বা নুপী অমা ইন্দিয়াদা লৈরম্বা অসি অঙকপা ফাওই মহাক্লা বোক্সিং হায়বা মশান্না অসিদা য়াম্না নিংথিনা হোৎনদুনা লাকখিবনি হায়নসু হোলিফিল্ডনা মখা তাখি।

হোলিফিল্ডনা ইন্দিয়াদা খৃষ্টমাস সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা শীনবা থৌরম অমা য়াওবা লাকপদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লম্বনি। মেরিকোম অসি ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোইশিংদা পীবা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী এৱার্দ অমা ওইরিবা খেল রত্ন হায়বা মনা অসিসু ফংখ্রে।

হৌজিক মহাক মশান্না অসিদগী মতম খরা পোথাদুনা লৈরি হায়বা পাউ ফংলে। মহাক্লা পোথাবগী মরম অসি মহাক্কী অহুমশুবা মচা অমা হন্দক্কি চহী অসিদা পোকখিবগা মরী লৈননা শান্নবা অসিদগী মতম খরা পোথাবনি হায়নসু হোলিফিল্ডনা ফোঙদোক্লমখি।

মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী মণিপুরী মচা অসি ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন্না মতম অমদা মেগ্নিফিসেন্ট মেরি হায়বা মিংথোল ফাওবা পীদুনা ঈকায়-খুম্নখ্রবী বোক্সর অমনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হোলিফিল্ডনা মখা তারদুনা ইং ২০০৮ দা চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেম অদুগী বোক্সিংগী মেটচ কয়া মহাক্লা য়েংখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী বিজেন্দ্র সিংহনা সেমিফাইনেলদা বাউট অদু মহাক্লা য়েংবগা লোয়ননা বিজেন্দ্র অসি অচৌবা মেগা ইভেন্ট অদুদা বোক্সিং হায়বা মশান্না অসিদা মেদল ফংবা ঙমখিবা অহানবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমসুনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা বোক্সিং হায়রিবা মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবদা মহাকপু ইন্দিয়াগী ওথোরিটিনা হায়বিরক্লবদি মহাক্কী ওইনদি লাইবকফবনি অদুবু হৌজিক ফাওবদা মহাকপু ইন্দিয়ানা বোক্সিংগী কোচ ওইনা হায়রকপা ৱাফম লৈত্রি হায়খি।

## ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপকি ষ্টেদিয়ম কন্না শেমগৎলি



*মনাউস, দিসেম্বর ১৭ ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীদা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকি ষ্টেদিয়ম শাগৎপগী থবক অসি পুং ১৮/১৮ গী সিপ কায়দোক্তুনা অকনবা থবক পায়খৎলি।

এরেনা দি অমাজোনিয়া হায়না মিংথোনবা ৱার্ল্ড কপকি মেন ষ্টেদিয়ম ওইগদবা অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক হৌজিক লৈবাক অসিদা ৱার্কিং অৱার নাইনা পুং ১৮/১৮ গী সিপ খায়দোক্তুনা লেভর কয়ানা অকনবা চেকশিন থৌরাগং লোয়ননা শোইদনবা হোৎনরি।

ষ্টিদিয়ম শেমগৎপগী থবক তৌরিবা ৱার্করশিং অসিগী মনুংদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা লেভর অনী শিখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। ষ্টিদিয়ম শেমগৎপগী থবক অসিদা শিখিবা লেভর অনী অদুদি মার্চেদো দি মেলো ফেরিরানি। মহাক থাংজ নুমিত্তা ষ্টেদিয়মগী মথংথংবা শরুক্তগী তারক্তুনা শিখিবনি। মহাক্লা তারক্লিবা মফম অসি চাউরাক্লা মিটর ৩৫ ৱাংই হায়রি।

মীওই অমা শিখ্রবা মতুং পুং ১ লৈরগা মফম অদুদা থবক শুদুনা লৈবা অতোপ্পা ৱার্কর জোর্স নেসিমেটোনা ষ্টিদিয়ম অসিগী অতোপ্পা মফম অমদা হার্ট এটেক্লা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। মহাক মশাগী চহী ৪৯ শুখ্রে। মহাক্কী ইমুং মনুংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মহাক্লা শিখিবা অসিগী মরম অসি ষ্টিদিয়ম অসিবু শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি মহাক্কী ওইনা চয়োল অমদা নুমিৎ ৭ নি থবক শুবগী সেদ্যুল পীদুনা পোথানবগী মতম ফংদবদগী হার্ট এটেক তৌদুনা শিখিবনি হায়না ক্লেম তৌরি।

অমরোমদা লেভর কোর্টকি জজ মেরি নেলিনা ফোঙদোকখিবদা থবক অসি হেক হৌবদগী হকচাংগী ফীভম চেক তৌরবা মীওই ১১৪ বু থবক অসি শুহনখি হায়না ফোঙদোক্লি।

## মশাগী ওইবা ম্যুজিয়ম অমা হাংদোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহল্লিবা শান্নারোই

*মেদ্রিদ, দিসেম্বর ১৭ ঃ*



রিএল মেদ্রিদকি ফোরৱার্দ প্লেয়র অমা ওইনা শান্নরিবা খৃষ্টনো রোনালদোনা মহাক মশাগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা প্রোটুগালগী মনুং চন্না লৈরিবা মেদিরাদা নোংমাইজিং নুমিত্তা ম্যুজিয়ম অমা হাংদোকখ্রে।

ম্যুজিয়ম অসিদা মহাক মশানা ফুটবোল মশান্নদা ৱার্ল্ডগী বেষ্ট প্লেয়র হায়বা টাইটল অসি ইং ২০০৯ দা ফংখিবা অসিগা লোয়ননা চহী ২৮ গী মনুংদা মহাক্লা ফংলকখিবা ট্রোফি মেদল অমদি নীংশিংনিঙাই ওইবা য়াবা পোৎলম কয়া মফম অসিদা থল্লি।

রোনালদোনা মহাক্কী ম্যুজিয়ম অসি হাংদোকপা অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী ওইনা ফুটবোলগী লমদা পীবা এৱার্দ অসি ফ্রেঙ্ক রিবেরি অমদি লিয়োন মেসিগী মমিং অসিগা থারগা মীওই অহুমগী মনুংদা মহাক্কীসু মমিং পল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

হাংদোক্লিবা ম্যুজিয়ম অসিদা তোঙানবা অহাংবা কা খরা লৈরি। মসিদা নৌনা ফংলকপা ট্রোফি কয়া থমগনি হায়না পনখি। মহাক্লা মেদ্রিদ স্পোর্টস দেল্লীদা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ অসি মহাক্কী মায়কৈদা খ্বাইদগী নুঙাইবা নুমিৎ অমনি। অদুবু মসিমক লৈবাক অসিদা ওইসনু হায়বা ৱাফমতসু মহাম্না ফোঙদোকখি।

মফম অসিদা থল্লিবা ট্রোফিশিং অসি স্পিসিয়েল ওইবা ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদগী অমা ফাওবা লৌথোকপা মহাক্লা পামদে। ট্রোফিশিং অদুগী মনুংদা হেন্না ইম্পোর্টেন্ট ওইবা কয়া অমসু য়াওরি। ট্রোফিশিংগী ওইবা অখন্নবা ৱাহম্থোক লৈগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি হাংদোকখিবা রোনালদোগী ওইবা ম্যুজিয়ম অসিগী অহাংবা শরুক্তা বেলুননা শেমদুনা পেনাল্টি ওফ স্পেস হায়বা মফম অমসু শেমদুনা থমখি। খৃষ্টনো রোনালদোনা হাংদোক্লিবা ম্যুজিয়ম অসিদা মহাক মশাগী লাইফ সাইজ ফোটো অমদি ষ্টেচু কয়া অমসু মহাক্লা ফংলকখিবা মেদল, ট্রোফিশিংগা লোয়ননা মফম চানা চানা থমখি।

ফুটবোলগী ইতিহাসতা মমিং লৈরবা শান্নরোই অমনা মহাক মশাগী মমিংদা ম্যুজিয়ম অমা হাংদোকপসি মমাঙদা লৈখিবা ফুটবোলগী অফাওবা শান্নরোইশিংদা থোইদোক্লা থেংনদে। মহাক্লা অহানবা মক নৎত্রবসু ফুটবোলগী লমদা অমদি মহাক মশানা ফংলকখিবা মেদল, ট্রোফি অমদি নীংশিংনিঙাই ওইবা য়াবা পোৎলম কয়া থম্বা অসি অফবা খুদম অমনি।

## মেটচ ফিক্সিংগা মরী লৈননা এ সি মিলানগী শান্নরোই গাটুসোগী মথক্তা ইনবেষ্টিগেসন চখরি

*রোম, দিসেম্বর ১৭ ঃ*



ইং ২০০৬ তা ইটালিনা ৱার্ল্ড কপকি মপু ওইখিবা অদুগী টিম অদুদা য়াওখিবা লোয়ননা এ সি মিলনগী অমদি ইটালি টিমগী মিদফিল্ডর ওইরিবা গেন্নরোগা গাটুসোগী মথক্তা ইটালি পুলিসনা মেটচ ফিক্সিং তৌই হায়বগী মরালদা ঙরাং অয়ুক অঙনবদা মহাক্কী ময়ুমদগী ফারবা মতুংদা মহাক্কী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চখ্খ্রে।

মহাক্তা নত্তনা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই খৃষ্টেন ব্রোচিবুসু মেটচ ফিক্সিং তৌবা অসিদা চৈন্নে হায়রি। শান্নরোই অনীসি খক্তা নত্তনা অতোপ্পা মীওই মরি অমসু ইটালি পুলিসনা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাখ্রে হায়রি। মখোয়গী মথক্তা শক ২০১০ অমদি ২০১১ গী ইটালি সেরিজ এগী মেটচ অমদা মেটচ ফিক্সিং তৌই হায়বগী মরালদা মখোয়বু ফাখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা ইটালিগী মীওই মরি অদুদি সালভাটোরে স্পাদারো, ফেন্সিস্কো বজানি, কোসিমো লিনচি অমদি ফেবিও ক্যাদ্রিনি। মখোয়শিং অসিগা খৃৎশম্নদুনা শান্নারোই অনী অসিনা মেটচ ফিক্সিং তৌই হায়না দি মার্টিনোনা ফোঙদোকখি।

গাটুসো অমদি ব্রোচিবু মেটচ ফিক্সিং তৌই হায়বগী মরালদা ইনভেষ্টিগেসন অসি চখবনি হায়না এ এন এস এ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোক্লি। মেটচ ফিক্সিং তৌবা অসিদা শান্নারোই অনী অসি চৈন্নে হায়বসি মখোয়গী ফোন টেব তৌবদগী খঙবনি হায়নসু দি মার্টিনোনা পনখি।

পুলিসকি পাউ অদুনা মখা তারদুনা মখোয়না মেটচ ফিক্সিং তৌখি হায়রিবসি এ সি মিলনগা মিলন, বোলক্লা, রিমিনি অমদি মেসিনা হায়বা ক্লবশিং অসিগা শান্নখিবা মেটচশিংদনি।


CHEM

DISTANCE EDUCATION

(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)

Authoriszd host Institute of Lovely Professional University, Punjab

Recognized by UGC

Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Deong /2013 (1233-1237)

PROGRAMMES OFFERED

COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :

MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,

COMMERCE :

M.Com,B.Com

Affordable Fees Structure

MANAGEMENT :

MBA*,PGDBM,BBA*

LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :

MLIS,BLIS,DLIS

ART (in English & Hindi Medium :

M.A (Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A

*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE

Prospectus and Application Forms are available at:

CHEM


CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT

CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162


## ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা টাইটল কয়া লৌরক্লি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ১৭ ঃ*

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা ইন্দিয়ান বেদমিন্টনদা লেপ্পা লৈতনা মিংচৎ কয়া পুরক্লি হায়না পি ভি শিন্ধুনা ফোঙদোক্লি।



সাইনা নেহৱালনা মমাঙগী চহীদা পৃথিবী অসিদা লৈরিবা টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াদুনা মেদল কয়া লেপ্তুনা লৌরকখিবগা লোয়ননা লণ্ডন ওলিম্পিক ফাওবদা বেদমিন্টনগী ওইনা মেদল লৌবা ঙমখিবা শান্নারোই অমা ওইখি। চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবী শান্নরোই অসিগী ওইনা ইন্দোনেসিয়া, দেনমার্ক, স্বিজরলেণ্ড অমদি থাইলেন্দদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদদি টাইটল অমা ফাওবা লৌরকখিদবনা মরম ওইদুনা বি দব্লিউ এফনা পীবা রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফম অদুদগী হন্থরক্তুনা ৱার্ল্ডগী তরুকশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

হায়দরাবাদতা পোকখিবী নুপী মচা অসিনা মালেসিয়া সুপর সেরিজ প্রেমিয়র অমদি ওল ইংলেণ্ড সুপর সেরিজ প্রেমিয়রদা সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মহাক অসি ইন্দিয়াগী ওইনা ৱাংজৌদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নদা মেদল লৌরকপা ঙমখিবগা লোয়ননা চহী অদুদা গ্রান পি গোল্ড টাইটল অনীশু লৌখিবনি।